**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 07-07-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- উ থাবনা হোংলক্লিবা অকোইবগী ফিভম কন্নবা হোৎনবগী খ্বাইদগী ফরবা পান্থে অমনি।

২) লৌমীশিংনা লৌ উবদা অশোই অঙাম থোকহন্দনবা সরকারনা ফ্লায়িং স্কৱাদ শেমদুনা অকানবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হৌরে।

৩) থ্বালতাবী থৌদোক্তা সরকারনা তুমিন্না লৈশিনববু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙসি পাউমীশিংনা ৱাকৎ মীফম ফমদুনা খোঙজং চংশিনখ্রে।

৪) রাজ্য অসিদা ঙসি কোভিদ নাইন্তিন নৌনা পোজিতিভ ওইবা মীওই ৪ থেংনখি। হৌজিক এক্তিভ কেস ৪৭ লৈরি।

অমসুং

৫) লাক্কদৌরিবা মীকোক থীবা অসিদা সেল্ফ ইন্যুমুরেসন তৌনবা অখন্নবা ৱেব পোর্তেল অমা হাংলগনি।

------

গভর্নর (এল)ঃ মণিপুরগী রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- উ পান্বী অমা থাবা হায়বসি হোংলক্লিবা অকোইবগী ফিভম কন্নবা হোৎনবগী খ্বাইদগী ফরবা পান্থে অমনি।

সিতি কনভেন্সন সেন্তর ইম্ফালদা পাঙথোকপা ৭৬ শুবা বন মহোৎসব ২০২৫ লোইশিনবগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যপালনা হায়- মণিপুর অসি ইনাক খুল্লবা ইকোলোজিকেল হেরিতেজ অমসুং চীংগী লমগী বাইও দাইভর্সিতি নিংথিনা লৈবা লমদম অমনি। রাজ্য অসিগী য়েলহৌমীশিংনা মহৌশাদগী চৎনরকপা মওংদা উমং কন্নবা পায়খৎলিবা থবক থৌওংশিং রাজ্যপালনা থাগৎপা ফোংদোরক্লদুনা হায়- উমং কোকথোকপা, মরম চাদনা কা হেন্না রিছোর্সশিং শিজিন্নথোকপা অমসুং ক্লাইমেত চেঞ্জনা কিহল্লক্লিবশিং অসি খঙমিন্নবা চংই। অকোইবগী খলদা কায়রক্লিবা অসি কলহৌনবা মীয়ামনা খুদক্তা থবক পায়খৎনবা হোৎনমিন্নরশি।

রাজ্যপালনা হায়- কুমশিগী বন মহোৎসব অসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোকখিবা লৈবাক শিন থুংনা পায়খৎলিবা এক পের মাকে নাম টু-জিরোগসু ফাংজিন্নে। প্রধান মন্ত্রিগী ৱাখল্লোন অসিনা মীপুম খুদিংমক্তা মখোয় মখোয়গী ইমাবু ইকায় খুমবা ওইনা উ চারা অমমম থানবা পুকিংদা ঈথিল পীরি অমসুং মালেম ইমাদা থম্মোয় শেংনা শ্রদ্ধাঞ্জলি কৎপা হায়বদু ওইরি।

থৌরম অদু উমং ঙাক শেনশি, তুরেল অমসুং চীংশিং ঙাক শেনশি অমসুং মণিপুরবু অশং অমান্না থনবা লমদম অমা ওইহনবদা পুকিং থৌগৎশি হায়না পুন্না ৱাশক লৌমিন্নদুনা লোইশিনখি। রাজ্যপালনা ইমুং খুদিংমক্তা তৌবীমল খঙবা উৎপা, দাইত্ব খঙবা অমসুং আশাগী খুদম অমা ওইনা য়ামদ্রবদা উ চারা অমমম থাদুনা চহি চুপ্পা মদুবু ঙাকপী শেনবীনবা তকশিনখি।

মদুগী মমাংদা রাজ্যপালনা লৈবাক শিন থুংনা চথরিবা এক পের মাকে নাম টু-জিরোগী শরুক অমা ওইনা কংলা ফোর্ট কমপ্লেক্সতা উ চারা অমা থাখি।

বন মহোৎসব পালনগা মরী লৈননা দিষ্টিক্ট নেসনেল প্রোগ্রাম ফোর হেলথ কেয়ার অমসুং দিষ্ট্রিক্ট নোন-কম্মুনিকেবল সেল ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা উ চারা থাবগী থৌরম অমা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শঞ্জেনবমদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা চীফ মেদিকেল ওফিসার ইম্ফাল ইষ্ট ডাঃ এল. ইন্দিরা, নেসনেল প্রোগ্রাম ফোর পেলেতিভ কেয়ারগী ষ্টেট নোদেল ওফিসার এল. তিলাকেশ্বরিনচিংবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শিন্দুনা চয়োল অমা চুপা চথরকপা বন মহোৎসব লোইশিনবগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখি। জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা স্কুলশিং, সরকারগী লোইশঙশিং অমদি মফম অদুগী মীয়ামা শরুক য়াদুনা হৌখিবা চয়োল অসিদা উ চারা লাখ ১ রোম তোঙান তোঙানবা মফম ৩৮ দা থাখি।

জিরিবাম (এল)ঃ জিরিবাম জিলাগী চিদাই ওইবা মফমশিংদা লৌ পান্থা অসিদা পামদবা থৌদোক থোরকপা থিংনবা অমসুং লৌউ শিংউগী থবক চথবদা অশোই অঙাম থোকহন্দনবা জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা ফ্লায়িং স্কৱাদ টিম ২ শেমখ্রে। টিমশিং অসি জিরিবাম সবদিভিজনগীনা এস.দি.সি জিরিবাম অমসুং বোরো বেক্রা সবদিভিজনগীনা এস.দি.সি বোরো বেক্রানা লুচিংগনি। লৌমীশিং অমসুং লৌমীগী এসোসিয়েসনশিংনা টিম লুচিংবশিং অসিগা নত্রগা দিষ্ট্রিক্ট নোদেল কন্টেক্ট পোইন্টকা পাউ ফাওনবা য়াগনি হায়রি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনসু লৌমীশিং লৌউ শিংউ তৌবদা অশোই অঙাম থোকহন্দনবগীদমক্তা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না ফ্লায়িং স্কৱাদ টিম ৬ শেমখ্রে। হায়রিবা ফ্লায়িং স্কৱাদশিং অদুদি- নম্বোল, ওইনাম, বিষ্ণুপুর, নিংথৌখোং, মোইরাং অমসুং কুম্বী সার্কলনি। মরী লৈনবা এস.দি.সিশিংনা লুচিংবা ফ্লায়িং স্কৱাদ টিমশিং অসিনা লৌমীশিংনা লৌউ শিংউ তৌবদা অশোই অঙাম থোকহন্দনবগীদমক্তা মরী লৈনবা পুলিস ওফিসারশিং, সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সশিংগা নিংথিনা পাউ ফাওনগনি হায়রি।

অমজ (এল)ঃ  গ্বালতাবী থৌদোক্তা সরকারনা তুমিন্না লৈশিনববু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙসি পাউমীশিংনা কৈশামপাৎতা ৱাকৎ মীফম ফমদুনা খোঙজং চংশিনখ্রে। ওল মণিপুর ৱার্কিং জরনেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজ) অমসুং এদিটরস গিল্ড মণিপুরনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা পাউমীশিংনা- পাউমীদা খুৎ থাবা গনতন্ত্রদা খুৎ থাবনি, জরনেলিজম অসি ক্রাইম নত্তে, লম্বী থিংবদি ঙমগনি অচুম্বা খোঞ্জেল থিংবদি ঙমলোই হায়বনচিংবা প্লেকার্দশিং পায়খি।

অশিনিকুমার (এল)ঃ  বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী ৱাঙাংলোইসু ওইরিবা হান্নগী এল.দি.এগী চেয়ারমেন মোইরাংথেম অশিনিকুমারনা ঙসি কেন্দ্রগী রোড ত্রান্সপোর্ট এন্দ হাইৱেজ মন্ত্রালয়গী ওফিসিয়েলশিংগা নিউ দিল্লিদা উন্নখ্রে।

উন্নবা অদুদা শ্রী অশিনিকুমারনা থাঙ্গ অমসুং ময়াং ইম্ফাল শমবা লম্বী শেমগৎনবা অমদি থোং শাননবগী মতাংদা চহি অসিগী মে ২৮ দা কেন্দ্রগী রোড ত্রান্সপোর্ট এন্দ হাইৱেজ মন্ত্রি নিতিন গদকারিদা পীশিনখিবা প্রপোজেল অদু ফংলে হায়বগী ওফিসিয়েল একনোলেজমেন্ট লেট্টর অমা মন্ত্রালয়গী ওফিসিয়েলশিংনা শ্রী অশিনিকুমারদা খুৎশিন্নখি। প্রপোজেল অসিদা সেন্দ্রাদগী সেকমাইজিন, মোইরাং-থাঙ্গ লম্বী শেমগৎতুনা ময়াং ইম্ফাল অমসুং থাঙ্গ কেন্দ্র অনি শমহনবা অমসুং থাঙ্গ কেন্দ্রগী পুখ্রম্বম চীংদগী ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী চীংথি চীং ফাওবগী কিলোমিতর অমা শাংবা থোং লোক্তাক পাৎতা শাবনচিংবা য়াওরি।

কোবিদ (এল)ঃ  রাজ্য অসিদা ঙসি কোভিদ নাইন্তিন নৌনা পোজিতিভ ওইবা মীওই ৪ থেংনখি। হৌজিক এক্তিভ কেস ৪৭ লৈরি।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না ঙসি পুন্না মীওই ১৯ গী সেম্পল টেষ্ট তৌবদা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী মীওই অহুম অমসুং থৌবালদগী মীওই অমা পুন্না মীওই মরি কোভিদ পোজিতিভ ওইরম্বা থেংনখি। মসি থারগা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ নাইন্তিন পোজিতিভ ওইবা মশিং ৩০২ শুরে। মসিগী মনুংদা মীওই ২৫৫ নাবা ফদুনা দিসচার্জ তৌখ্রে।

রুপমহল (এল)ঃ  রুপমহল থিয়েটর লিংখৎখিবা ৭৮ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা ১৮ শুবা হৱাইবম নিলামনি সিংহ এৱার্দ, রাইটর, দিরেক্তর অমসুং থিয়েটর এক্তিভিষ্ট মনি য়ুমামদা লান্থোকখ্রে। থৌরম অদুদা রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিসনার এম. জোয় অমসুং রুপমহল থিয়েটরগী ভাইস প্রসিদেন্ট লোইতোংবম ব্রজমোহন শরুক য়াখি।

হোম গার্দ (এল)ঃ    মণিপুর হোম গার্দ পার্সোনেলশিংগী দিয়ারনেস এল্লাৱেন্স চাদা ৩৯ দা হেনগৎপীনবা রাজ্যপালদা হায়জখিবা ৱাফম অদুগী মতাংদা করি থবক লৌখৎলবগে হায়বা খঙহনবীয়ু হায়না মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়িজ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ৱাই. মঙ্গিনা রাজ্যপালদা চেরোল অমা পীশিনখ্রে। চেরোল অদু রাজ্যপালগী সেক্রেতরিগী খুথাংদা পীশিনখিবনি।

চেরোল অদুগী মতাংদা পল্লদুনা শ্রী মঙ্গিনা হায়- শেল থুম মন্ত্রালয়না থোকপা ওফিস মেমোরেন্দম অমগী মতুংইন্না দিল্লিদা লৈবা হোম গার্দ পার্সোনেলশিংগী ওইনদি দি.এ চাদা ৫৩ দগী ৫৫ দা হেনগৎখ্রে। অদুবু রাজ্য অসিদা মথৌ তৌরিবা হোম গার্দ পার্সোনেলশিংগী ওইনদি হৌজিক ফাওবদা চাদা ১৪ দগী হেন্না ফংবা ঙমদ্রি। হিরম অসিদা সরকারনা মীৎয়েং চংবীয়ু হায়না শ্রী মঙ্গিনা আপীল তৌরি।

ৱার্কসোপ (এল)ঃ   মণিপুরদা লৈরিবা ওন্তরপ্রেন্যুরশিংগী ফিভম হেন্না ফগৎহন্নবগী পান্দমদা নুমিৎ মঙানি চখ্থগদবা কেপাসিতি বিল্ডিং ৱার্কসোপ অমা ঙসিদগী ইম্ফালদা হৌখ্রে।

রাজ্যগী দিরেক্তোরেট ওফ তুরিজমনা শিন্দুনা ৱার্কসোপ অদু ইম্ফালগী নোর্থ এ.ও.সিদা লৈবা দিরেক্তোরেট অসিগী ওফিসতা হৌদোকখি। ৱার্কসোপ অদু রেজিং এন্দ এসিলরেতিং এম.এস.এম.ই পার্ফোমেন্স রেম স্কিমগী মখাদা হৌদোকখিবনি। ৱার্কসোপ অদুদা লম অসিদা খঙ হৈরবা ইন্দষ্ট্রি তৌরিবশিংনা তোঙান তোঙানবা হিরমদা তাকপী তন্বীখি। ৱার্কসোপ অদু থা অসিগী ১১ দা লোইশিনগনি হায়রি।

পেংগোলিন (এল)ঃ    সেনাপতি ফোরেষ্ট দিভিজন অমসুং সাদিন পুখ্রি ভিলেজ ওথোরিতি অনিনা চাইনিজ পেংগোলিন অমা কল্লবা মতুংদা ঙসি থাদোকখ্রে।

জিলা অসিগী সাদিম মলিংলিগী খুঞ্জা অমনা পেংগোলিন অমা ফংলে হায়না ফোরেষ্ট বিভাগতা পাউ পীরকখি। মদুগী মতুংইন্না ফোরেষ্ট বিভাগ অমসুং ভেটেরিনারি বিভাগ অনিগী ওফিসিয়েলশিং মফম অদুদা চংশিন্দুনা হায়রিবা লম্লক্কী শা অসি কল্লবা মতুংদা খুঞ্জাশিংগা লোয়ননা ঙসি তেক্ত-কায়দনা থাদোকখিবনি।

কাদা (এল)ঃ কোলিসন এগেনষ্ট ড্রগস এন্দ আলকোহোল (কাদা)না শিন্দুনা ময়াই কাবা নিশা শিজিন্নবনা খুনাইদা পীবা চৈথেংগী মতাংদা মীয়ামদা নীংথিনা খঙহনবগী এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী হিয়াংথাংদা লৈবা কুমারি হাইস্কুলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা কুমারি হাইস্কুলগী হেদমাষ্টর কে. সনাতোম্বা কবুই, কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট নিংথৌজম দোরেন্নচিংবা মরুওইবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

সেন্সস ঃ   লাক্কদৌরিবা মীকোক থীবা অসিদা সেল্ফ ইন্যুমুরেসন তৌনবা অখন্নবা ৱেব পোর্তেল অমা হাংলগনি। পোর্তেল অসি সেন্সস ২০২৭ কী তাঙ্কক অনিমক্তা ফংগনি হায়রি।

সোসিয়েল মিদিয়া পোষ্টতা থাগৎলকপা ৱারোলশিংদা রেজিষ্ট্রার জেনেরেল অমসুং সেন্সস কম্মিসনারনা হায়- মসিনা লৈবাক অসিগী অহানবা দিজিতেল সেন্সস ওইরগনি। পোর্তেল অসি শিজিন্নরগা ইন্যুমুরেতরশিংনা মখোয় মখোয়গী মোবাইল এপপতা ইংলিস, হিন্দি অমদি লম লমগী লোলশিংদা দেটাশিং খোমগৎকনি। ইন্যুমুরেতরশিংনা হায়রিবা থবক অসি পাঙথোকপদা মশা মশাগী মোবাইল ফোনশিং শিজিন্নগনি। লৈবাক অসিদা ইং ২০২৭ তা মীকোক থীবগী থবক রাজ্য শিনবা থুংনা অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংদা চঙনবা মমাং থাদা কেন্দ্রনা গেজেদ নোতিফিকেসন থোকখ্রে। মসিগা মরী লৈননা রাজ্য রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংনসু মখোয় মখোয়গী নোদেল ওফিসারশিং খন্ননবা খঙহনখ্রে। মীকোক থীবগী থবক তাঙ্কক অনি থোকা পাঙথোক্কনি। ইং কুমজা ২০২৬ কী এপ্রিলদগী হৌরগা য়ুমথোঙ মশিং থিগনি। অদুগা মদুগী মতুংদা মীকোক থীবগী থবক চঙগনি হায়রি।

মোদি ঃ   প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক অমত্তনা মরুওইবা মিনরেলশিং, টেকোলোজি অমসুং সপ্লাই চেনবু মখোয় মশাগী কান্ননবগীদমক খুৎলাই ওইনা শিজিন্নরোইদবনি। রিও-দি-জেনৈরোদা ব্রিক্স মীফমগী আউটরিটচ সেসনদা শ্রী মোদিনা হায়- মরুওইবা মিনরেল অমসুং টেকোলোজিদা হেন্না তেংবাং

পীনবগী মথক্তা সপ্লাই চেন অশোই অঙাম থোকহন্দবা অমসুং হান্নগী ফিভমদা হঞ্জিনহনবগী তঙাইফদবা লৈ।

শ্রী মোদিনা হায়- মপুং ওইবা মীৎয়েংদি তঙাইফদবা মতুংইন্না ৱারেপ লৌবা, মতম শাংনা চৎনগদবা মওংদা শেল থুমগী ফিভম ফনা লৈহনবা অমসুং ব্রিক্স নিউ দিভলপমেন্ট বেঙ্ককী প্রোজেক্টশিংদা অফবা ক্রেদিৎ রেটিং লৈহনবা হায়বসিদা ওইগদবনি। মহাকা হায়- ২১ শুবা চহি চা অসিদগী মীয়ামগী খুমাং চাওশিনবা অমসুং য়াইফবা হায়বসি টেকোলোজিদা অখন্ননা আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্সতা মখা পোল্লি।

নদ্দা ঃ কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দানা হায়রি- লৈবাক অসি মীপুম খুদিংগী অনা লায়েংগী খুদোংচাবা লাইনা ফংহনবা মমল ইচং চংহন্দবা অমসুং থোং মান্নহনবা ঙমগদৌরে।

মন্ত্রিনা হায়- আয়ুসমান অরোগ্যা মন্দির লাখ ১ লিশিং ৭৭ হোনবনা খুনাইগী মীয়ামদা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা হেন্না নকশিন্না ফংহনবা ঙমলে অমসুং ঈ-শঞ্জিবানি অমদি টেলি মানসকুম্বা প্লেটফোর্মশিংনা স্পেসিয়েলিষ্টশিংনা লায়েংবগী খুদোংচাবা লাইনা ফংহনবা ঙমলে।

মুরুগান ঃ কেন্দ্রগী ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ এল.মুরুগান্না ঙসি চেন্নাইদা স্বাচ ভারত সম্রিধ ভারতকী মখাদা ই.এস.আইগী কান্নবা ফংলবা মীওইশিংগীদমক মেদিকেল চ্যেকঅপ কেম্প অমা হাংদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মহাকা হায়- মীপুম খুদিংমক্কী হকশেল অমসুং মশা মউ ফহনবা হায়বসি ভারতকী ওইনা য়ামা মরু ওই।

রাজনাথ ঃ ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হায়রি- ওপরেসন সিন্দুরদা ভারত মশাগী খুৎলায়শিংগী তৌবা ঙম্বগী পাঙ্গল অদুনা লৈবাক অসিনা শাজবা ঙাকশেলগী পোত্থোকশিং মালেমগী ওইনা পামবা হেনগৎলক্লে। মন্ত্রিনা ঙসি নিউ দিল্লিদা কন্ট্রোল্লরস কনফরেন্সতা ৱা ঙাংবদা শ্রী রাজনাথনা হায়- ভারতকী ঙাকশেলগী

উদ্যোগতা চাউনা ওইথোকপা য়াবা কয়ামরুম লৈ। মহাকা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা ভারতনা ঙাকশেলগী লমদা মশাগী শিজিন্নবা ওকবা পোত্থোক পুথোকপা ঙমলে।

বিহার ঃ বিহারগী কতিহার সহরদা ঙরাং নুমিদাং ধর্ম্মগী সভা যাত্রা অমা চৎপদা মচি মচিদা খুৎ থোকরকখিবা অদু হৌজিক্তি লাকশিনবা ঙমলে। পুর্নিয়া রেঞ্জগী দি.আই.জি- প্রমোদ কুমার মন্দলনা হায়- মফম অদুদা অহেনবা পুলিস ফোর্সশিং থম্লে। কতিহার সহরদা সেক্যুরিতিগী মীওইশিংনা লেপ্তুনা ফ্লেগ মার্চ চৎলি। মহাকা মীয়ামদা কাংলুপ মশেল নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবা আপীল তৌরি।

শিবরাজ ঃ কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ্ চৌহান্না হায়রি- লৈবাক অসিদা চুজাক থাবা হেনগৎহন্নবা হিরম কয়া লোংবা খোঙজং চংশিনবা তঙাইফদে। মহাকা হায়- পান্দম অসি ফংনবগীদমক কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারশিং, সাইন্তিষ্টশিং, লৌমীশিং, এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিতিশিং অমসুং উদ্যোগশিং পুন্না থবক তৌমিন্নবা তঙাইফদে।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল (এল)ঃ অনিশুবা প্রিমিয়র লিগ ফুটবোলগী ঙসি তাকয়েলদা লৈবা সাই গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা- য়ুনাইতেদ চান্দেল এফ.সিনা য়ুথ সোসিয়েল ৱেলফ্যার এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ৮-২ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচশিংদা শগোলবন্দ য়ুনাইতেদনা ক্ষেত্রি ইরিল মপাল য়ুথ ক্লবপু পাঞ্জল ২-১ দা, অদুগা য়ু.দি.ওনা অসুফি এফ.এবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ শওম্বুং ষ্টুদেন্টস ক্লবনা শিন্দুনা হৌজিক চত্থরিবা শওম্বুং ইনভাইটেসন ভিলেজ ৱাইস এলেভেন এ সাইদ ফুটবোল তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা শওম্বুং ষ্টুদেন্টস ক্লব অমসুং হুইদ্রোম য়ুথ দিভলপমেন্ট

ক্লব পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে। অনিসুবা মেটচতা শওন্নুং কবুই খুঞ্জাউ য়ুথ ক্লবনা ভেন দ্রাইভর এসোসিয়েসন কিদস এরেনাবু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইখি।

ফুটবোল ঃ  ১৩৪ শুবা ইন্দিয়ান ওইল দুরান্দ কপ থা অসিগী ২৩ দগী হৌরগনি। অহৌবা নুমিৎতা কোলকাতাদা লৈবা বিবেকানন্দ যুবা ভারতি ক্রি রঙ্গনদা ইমামি ইষ্ট বেঙ্গল এফ.সি অমসুং বেঙ্গলুরুদা লৈবা সাউথ য়ুনাইতেদ এফ.সি শান্নগনি।

ক্রিকেট ঃ   বিরমিংহামদা চখুরিবা এন্দরসন-তেন্দুলকর ত্রোফিগী অনিসুবা ক্রিকেট টেষ্টতা ভারতনা য়ুম্বু ওইরিবা ইংলেন্দবু রন ৩৩৬ তা থোইখ্রে। থা অসিগী ১০ দা অহুমসুবা টেষ্ট শান্নরগনি। সেরিজ অসিদা হৌজিক ভারত অমসুং ইংলেন্দনা অমমম থোইনরি।

------